# লিলনা এঞ্জর্সপু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা চহী ১০গী মতুংদা লীগ ৱান টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



মোনাকো, মে ২৪ (এজেন্সী):

ফ্রান্সতা পাঙথোকপা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী ঙরাং শান্নখিবা অরোইবা অমদি ৩৮ শুবা রাউন্দদা লিলনা এঞ্জর্সপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা চহী ১০গী মতুংদা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা ৩৮শুবা রাউন্দ অদুগী মাংওইননা লিলনা মেটচ ৩৭তা পোইন্ট ৮০ ফংলগা টিম ২০গী লম্বা অদুদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখিবনি। অমরোমদা, মমাংগী চেম্পিয়ন পেরিস সেন্ট জর্মেননা চপ মান্নবা মেটচ মশীংদা পোইন্ট ৭৯ ফংলগা অনীশুবদা লৈখি।

লিল অমদি এঞ্জর্সনা শান্নখিবা মেটচ অদু এঞ্জর্সনা য়ুম্ফু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ রেমন্দ কোপা ষ্টেদিয়মদা শান্নখি। মেটচ হৌরকপগী ১০শুবা মিনটতা লিলগী মায়কৈদগী রেনাটো সাঞ্চেসনা পীরকপা বোল অমদা জোনাথন দেবিদনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা এঞ্জর্সপু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। অহানবা হাফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ লোইশিল্লক্লবা ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা লিলগী মায়কৈদগী বুরাক য়িলমাজনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা এঞ্জর্সকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। লিলনা হেল্লিবা পাঞ্জল ২ হন্দোক্লবা শান্নরকপনি। মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা এঞ্জর্স পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অদুবু মেটচকী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা এঞ্জেলো ফুলজিনিনা এঞ্জর্সকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চল্লগা লিলনা ২-১দা থোইবদগী পোইন্ট ৮৩ ফংবা ঙমখিবনি।

পেরিস সেন্ট জর্মেনসু ঙরাং মখোয়গী অরোইবা লীগ মেটচ অদু ব্রেষ্টকা লম্বা তৌনখি। মখোয়না টাইটল লৌবগী লৈখিবা লম্বেল অদু লিলনা এঞ্জর্সকা দ্রো চৎলম্লবা নৎত্রগা মায়থীবা নংলম্লবা মতমদা ওইগদবনি। অদুবু লিলনা মায় পাকখিবদগী পেরিস সেন্ট জর্মেনগী টাইটল লৌবগী লম্বেল তেনশিনখিবনি। মখোয়না ব্রেষ্টকা ফ্রান্সিস লা ব্লে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখি। পেরিস সেন্ট জর্মেনদা শরুক য়ারিবা ব্রাজিলগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় নেমারনা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা পেনাল্টি ১ ফংখিবা অদু মাঙজখি অমদি মখা তানা ব্রেষ্টকী রোমেন ফাইবরগী ওন গোল অমদি কিলিয়ান মাপেনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা ২-০দা থোইখিবনি।

# জপানদা টৌকিও ওলিম্পিক গেমসকী মাংওইননা মাস ভেক্সিনেসন সেন্টরশিং মথৌ তৌহনখ্রে



টোকিও, মে ২৪ (এজেন্সী):

চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগনি হায়না শিল্লিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী মাংওইননা জপানদা ঙসিদগী হৌরগা মাস ভেক্সিনেসন সেন্টরশিং হাংদোক্তুনা গেম অসিগী মাংওইননা ভেক্সিন কাপথোকপগী খোঙথাং অদু থুজিন্নবা হোৎনরক্লি।

টোকিও সিটি অমদি ওসাকা সিটিদা মিলিটরিনা চল্লাইবা সেন্টর অনী হাংদোকখ্রে। জপান মীয়াম্না লৈবাক অদুদা ভেক্সিন কাপ্পগী খোঙথাং অসি থেংমল্লি হায়না পেন্দবা ফোঙদোকপা কয়া লৈখ্রবনি। মীওই মিলিয়ন ১২৫ লৈবা লৈবাক অদুগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা চাদা ২ খক্তমক ভেক্সিনেসন ফংলি। হায়রিবা চাং অসি য়ু এস এদা চাদা ৪০ অমদি ফ্রান্সতা চাদা ১৫গা চাংদম্নরুবদা য়াম্না তানা লৈরি।


টোকিওগী ভেক্সিনেসন সেন্টর অসিদা নোংমদা ভেক্সিন লিশিং ১০ কাপ্পগী খূদোংচাবা লৈরি। অদুগা ওসাকাগী সেন্টর অদুদনা ভেক্সিন ৫,০০০ নোংমদা কাপকদৌরি। হায়রিবা সিটি অনীমক অসিদা মোদর্না ভেক্সিনগী শোট অনী ফংগদৌরি। হায়রিবা ভেক্সিন অসি জপানদা শীজিন্নবা এষ্ট্রাজেনেকা ফোর্ম্যুলাগী অয়াবা অদু ইরাই নুমীৎতা ফংলক্লবা মতুং ঙসিদগী থবক পাঙথোকপা হৌখিবনি।

মমাংদা জপাননা ফেব্রুৱারী থাদা ফাইজর ভেক্সিন অদু মেদিকেল ৱার্করশিং অমদি চহী ৬৫ মথক্কীদা লৈবা কাঙলুপশিং খক্তমক হান্না কাপকনি হায়খি। হায়রিবা কাঙলুপ অসি জুলাই থাগী লোইশিল্লকপদা মপূং ফাগনি হায়না পানরি। নৌনা জপানগী মীয়ামদা মাস ভেক্সিনেসনগী খূদোংচাবা পীরকপা অসিনা হরাউবা ফোঙদোকপা কয়া অমসু য়াওরি।

মশাগী চহী ৭১ শুরবা মুনেমিটসু ৱাটানাদেনা করিগুম্বা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক অসি ঙন্না হৌরম্লবদি টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী মাংওইননা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক চাদা ৮০দগীনা ৯০ ফাওবা লোইশিনবা তারম্লবদি গেম অসি পাঙথোকপদা টেন্সন লৈতনা শিল্লম্বা য়াবনি হায়খি। অদুম্মকপু ভেক্সিন কাপ্পা হৌরক্লবনিনা ৱাখলদা চিংনবা পোকপগী থাক অদুদি হান্নদগী হেনগৎলগনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, টোকিও, ওসাকা অমদি অতোপ্পা মফম ৮দা চৎলিবা থা অসিগী লোইরকপা ফাওবদা ভাইরস ষ্টেট ওফ ইমজেন্সি লাউথোক্তুনা লাইচৎ অসি শন্দোকপদগী লাকশিন্নবা কন্না হোৎনরি। মরক অসিদা জপানদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস য়াওবা লাক্কদৌরিবা এথলিটশিংনা জপান য়ৌরক্ত্রিঙৈদা ভেক্সিন কাপ্পগী খূদোংচাবা ফংগদৌরি। অদুবু ভেক্সিন কাপ্তুনা শরুক য়াবগী অয়াবা অদুসু ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিনসু পীগদৌরি। জপানদা কোভিদ-১৯না হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মশীং অসি শুপ্নগী লিশিং ১২ মুক্তনি।

# ইন্দিয়াগী অনকিতা অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে, সুমিট, প্রজনিশ অমসুং রাম কুমার শান্নরগনি



পেরিস, মে ২৪ (এজেন্সী):

চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ক্বালিফায়িংগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয় অনকিতা রাইনা মায় পাকখ্রে। নুপাগী কাঙলূপ্তা সুমিট নগাল, প্রজনিশ গুনেশ্বরন অমসুং রাম কুমার রামানাথনসু অহানবা রাউন্দ শান্নরগনি।

অনকিতা রাইনানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বালিফায়িং অদুগী অহানবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অনাষ্টেসিয়া রোদিওনোভাগা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট অদুদা রোদিওনোভানা অনকিতা রাইনাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-৩দা থোইখি। অদুবু অনকিতাগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেটতা য়াম্না ফজরক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী রোদিওনোভাগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা ৬-১দা থোইদুনা সেট অমমম্ মান্নদুনা লাকখি। অহুমশুবা সেটতা শান্নরোয় অনী য়াম্না কন্না লম্বা থেংনরবা মতুং অনকিতা রাইনাগী মায়কৈদগী সর্ভিস গেম অমা মতাং চানা মুন্দুনা সেট অদু ৬-৪দা থোইরগা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দ অদু মায় পাকখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, অনকিতা রাইনানা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা নুপীগী দবলসকী ম্যেন দ্রোদা ক্বালিফাই ওইদুনা ইন্দিয়াগী টেন্নিস পুৱারীদা মঙারকশুবা নুপী শান্নরোয় ওইবা ঙমখি। অদুবু মহাক সিঙ্গলসকী ইভেন্টশিংদদি হৌজিক ফাওবদা গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট অমত্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমদ্রি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় সুমিট নগালনা হয়েং নুপাগী ক্বালিফায়িংগী অহানবা রাউন্দদা ইটালিগী রোবর্টো মার্কোরাগা লম্বা তৌনগনি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিশ গুনেশ্বরননা হয়েং শান্নগদবা অহানবা ক্বালিফায়িং রাউন্দ অদুদা জর্মনিগী ওস্কার ওটেগা থেংনরগনি। অদুগা রাম কুমারনা য়ু এস এগী মাইকেল মোগা শান্নগনি।

# স্পেনগী য়ুরো টিম লাউথোকপদা সর্জিও রামোস য়াওখিদ্রে

মাদ্রিদ, মে ২৪ (এজেন্সী):

স্পেনগী নেসনল ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরিবা লুই এন্দ্রিকনা ঙসি লৈবাক অদুগী শান্নরোয় ২৪গী ওইবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২০গীদমক্তা মমিং লাউথোরকপদা হান্নগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমদি রিয়াল মাদ্রিদকী কেপ্টেন সর্জিও রামোসকী মমিং য়াওখিদ্রে।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা সর্জিও রামোস সিজন অসিদা শোকপা অমদি শান্নবা ঙমদবনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী হৌরকপদগী রিয়াল মাদ্রিদকী মেটচশিংদা শুপ্নগী ৫দমক শান্নবা ঙম্লি।

পার্ডগী মীফম অমদা ফোঙদোক্লদুনা কোচ লুই এন্দ্রিকনা হায়খিবদা, মহাক্না লৌখিবা ৱারেপ অদু য়াম্না অরুবা ৱারেপ অমা ওইখি। অদুবু সর্জিও রামোসনা চহী অসিগী হৌরকপদগীনা ট্রেনিং য়াওখিদবা অমদি মপূং ফানা শান্নবা ঙমদবা মরম্না মহাক টিম অদুগী মনুংদা চনখিদবনি হায়রি।

সর্জিও রামোস য়াওরক্তবদগী স্পেনগী নেসনল টিম অদুদা রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী শান্নরোয় অমত্তা য়াওখিদ্রে। মরক অসিদা কোচ লুই এন্দ্রিকনা সেন্টরবেক এমেরিক লাপোটিবু শান্নরোয় ২৪গী মমিং লাউথোরকপদা য়াওখি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপ্পরদা উনাই সাইমোন, দি জিয়া অমসুং রোবর্ট সাঞ্চেস; দিফেন্দরদা গায়া, জোর্দি অলবা, ও টোরেজ, লাপোর্টে, ইরিক গার্সিয়া, দিএগো লোরেন্টে, এস্পিলিক্বেটা অমসুং মার্কোস লোরেন্টে; মিদফিল্ডদা বস্কেটস, রোদ্রি, পেদ্রি, থিয়াগো, কোকে অমসুং ফাবিয়াননি। অদুগা ফোরৱার্দতা দানি ওলমো, ওয়ার জবল, মোরাটা, জেরাদ মোরিনো, ফেরান টোরেজ, অদামা ট্রাওলে অমসুং পাব্লো সারাবিয়ানি।

# এসিয়ন বোক্সিংগী অহানবা রাউন্দ হৌদ্রিঙৈদা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং মেদল ৭তি শোয়দনা ফংলগনি



দুবাই, মে ২৪ (এজেন্সী):

ঙসিদগী য়ুনাইটেদ অরব ইমিটেসকী সিটি দুবাইদা হৌখিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর ৭ অহানবা রাউন্দ শান্নদ্রিঙৈ মাংওইননা মখোয়-মখোয়গী দ্রো অদুদা মী য়াম্না লাক্তবদগী সেমীফাইনেল য়ৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্দি শোয়দনা ফংলগনি।

এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা পূন্না এসিয়াগী লৈবাক ২৭তগী বোক্সরশিং লাক্কনি হায়না পানরম্বনি। অদুবু কোভিদ-১৯গী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা চৎথোক-চৎশিনগী অথিংবা কয়া লাকপদগী শুপ্নতগী লৈবাক ১৭কী বোক্সরশিং ঙরাং রিপোর্ট তৌরকপদগী ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর ৭ অদু বাই ফংদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকপনি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইখ্রবী এম সী মেরি কোম (কেজি ৫১), মমাংগী চেম্পিয়ন পুজারানী (কেজি ৭৫), লোভলিনা বোর্গোহেন (কেজি ৬৯), অনুপামা (কেজি ৮১ মথক), সাৱিতি (কেজি ৮১), মোনিকা (কেজি ৪৮) অমসুং লালবোট সাহি (কেজি ৬৪) ঙরাং অথেংবদা লাউথোকখিবা দ্রোগী মতুংইন্না মখোয় তরেৎমক সেমীফাইনেল ফাওবা য়ৌরকখিবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা নুপা বোক্সর ৯ অমসুং নুপী বোক্সর ১০না এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারিবনি। নুপাগী কিলোগ্রাম ৫২গী মমাং চহীগী চেম্পিয়ন অমিট পঙ্ঘল অমসুং অতোপ্পা বোক্সর ৫ অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

হন্দক্কী এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অহানবা ওইনা শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর ৪০০,০০০গী অপূনবা শেনফম লাউথোকখিবনি। কুমজা ২০১৯গী থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়ানা গোল ২ য়াওনা পূন্না মেদল ১৩ ফংখি।

# হোক্কী ইন্দিয়ানা অম্পয়র অমসুং জজশিংগী পোটেন্সিএল লিষ্টতা কেন্দিদেট ১২৬ হাপচিনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ২৪ (এজেন্সী):

হোক্কী ইন্দিয়ানা অম্পায়র অমদি টেক্নিকেল ওফিসল অনৌবা খনবগী প্রোগ্রামদা হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বর থাদগীনা চহী অসিগী মার্চ থা ফাওবদা ওনলাইন ৱর্কশোপ অনীরক পাঙথোক্তুনা তুংদা অম্পয়র অমদি জজ ওইরকপা য়াবা পোটেন্সিএল লিষ্টতা অনৌবা কেন্দিদেট ১২৬ হাপচিনবা ঙমখ্রে হায়না হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট নিংঙোম্বম গ্যানেন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

অম্পায়র অমদি টেক্নিকেল ওফিসলশিং অদু লৌশিনবগী প্রোগ্রামদা তোঙান-তোঙানবা থাক অহুম খায়দোকখি। অহানবা থাক্তনা কেন্দিদেটশিং অদুদা ইন্টরনেসনল হোক্কীগী খ্বাইদগী নৌবা কাঙলোনশিং লোয়ননা ওফিসলশিং অদুগী থৌদাংগী মতাংদা বেসিক নোলেজ পীবনি। অদুগা অনীশুবা থাক অদুদনা কেন্দিদেট অমনা মখোয়না শরুক য়াখিবা লেবেল ৱান অদুদা য়ুম্ফম ওইবা ওনলাইন টেষ্ট অমা মায় পাকপগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা অহুমশুবা সেসনদনা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী টুর্নামেন্ট রেগুল্যেসনশিং, অম্পায়রশিংগী ফিটনেস, মেটচ রিপোর্ট পীবা অমদি টেক্নিকেল ওফিসলশিংগী ষ্টেটিষ্টিক্স লোয়ননা হোক্কী ইন্দিয়াগী গ্রেদিং গাইদলাইনশিং অদুগী মতাংদা নৈনবনি। লেবেল অহুমগী ৱর্কশোপ লোইরবা মতুং অরোইবা এসেসমেন্ট অমা ওইনা কেন্দিদেটশিং অদু ওনলাইনদা ভাইভা ভোসি লৌই। পূন্না ইন্দিয়াগী ষ্টেট ১৯দগী (নুপী ৩৭ অমসুং নুপা ৮৯) অপূনবা মশীং ২২৭দগী খনগৎখি। গ্যানেন্দ্রোনা মখা তাখিবদা, মশীং য়াম্লবা কেন্দিদেট লাকপা অসি অফবা খূদম্নি হায়খি।

# য়ুরোপকী ফুটবোল লীগশিংগী সিজন অসিদা পাঞ্জল খ্বাইদগী য়াম্না চনখিবা শান্নরোয় অদু বেয়র্ন ম্যুনিককী রোবর্টনা ওইখ্রে



লন্দন, মে ২৪ (এজেন্সী):

য়ুরোপতা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট মঙা, ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ, সেরি এ, বুন্দেসলিগা, লালিগা অমসুং লীগ ৱানগী মনুংদা বুন্দেসলিগাগী ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা বেয়র্ন ম্যুনিক ফুটবোল ক্লবকী পোলেন্দ মচা রোবর্ট লিৱানদোস্কিনা সিজন অসিদা পাঞ্জল ৪১ চন্দুনা গোল্ডন বুট এৱার্দ ফংবগা লোয়ননা অতোপ্পা লীগশিং অসিগা চাংদম্নরুবদা মহাক্না খ্বাইদগী হেনখ্রে।

গোল্ডন বুট এৱার্দ অসি তোঙান-তোঙানবা লীগশিংগী ওইনা মখোয়-মখোয়গী শান্নরোয়শিংগীসু লৈরি। স্পেনদা পাঙথোকপা লালিগাগী ওইনা পাঞ্জল ৩০ চনবা ঙমখ্রবা বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবকী অর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিনা ওইখি। মহাক্কী মথংদা সিজন অসিদা ইটালিদা পাঙথোকপা সেরি এগী ওইনা মমাং সিজনগী টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙমহৌদ্রবা মরিশুবা পোজিসন তাখ্রবা য়ুভেন্টস ফুটবোল ক্লবকী পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল ২৯ চন্দুনা লীগ অদুগী গোল্ডন বুট ফংলবসু মশীং খ্বাইদগী য়াম্বদা য়েংনরুবদা ৩শুবদা লৈখি। মরিশুবদা ফ্রান্সতা পাঙথোকপা লীগ ৱানগী মমাং চহীগী চেম্পিয়ন অদুগা হন্দক্লা রন্নর্স অপ তাহৌরবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় পাঞ্জল ২৭ চনবা ঙমখিবা ফ্রান্স মচা কিলিয়ন মাপেনি। অদুগা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ওইনা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোয় হেরি কেননা পাঞ্জল ২৩ চন্দুনা লীগ ৫গী মনুংদা মহাক্না মঙাশুবা তাখি।

লীগ মঙা অসিদা খ্বাইদগী হেন্না বোল সপ্লাই তৌদুনা পাঞ্জল চলহনখিবশিংগী মনুংদা বুন্দেসলিগাগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিককী থোমাস ম্যুলরনা পাঞ্জল ১৮ এসিষ্ট তৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল সপ্লাই তৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইখি। মহাক্কী মথংদা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী টোটেনহাম হোটস্পরগী হেরি কেননা পাঞ্জল ১৪ সপ্লাই তৌদুনা অনীশুবা তাখি। লালিগাগী ওইনা সেলটা ভিগোগী শান্নরোয় ইয়াগো অস্পাসনা এসিষ্ট ১৩ তৌখি। লোয়ননা লীগ ৱান অমদি সেরি এগী এসিষ্ট ১২/১২ তৌখিবা শান্নরোয় অনী অদুদি মথংশিংনা লিওনগী মেমফিস দিপে অমসুং অটলান্টাগী রস্লান্দ মালিনোবস্কিনি। খ্বাইদগী ফজবা গোলকিপ্পরগী গোল্ডন গ্লোভস মনা অদুনা লীগ ৱানগী লিল ক্লবকী মাইক মাইগনননা মেটচ ২১ পাঞ্জল চলহন্দবা ঙমখি।

# কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা বি সী সী আইনা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর লিশিং ২ দোনেট তৌগদৌরি

মুম্বাই, মে ২৪ (এজেন্সী):

বোর্দ ওফ ক্রিকেট ফোর কন্ট্রোল ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না লৈবাক অসিনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ লান্থেংনরিবা অসিদা মতেং ওইননবা লিটর ১০ চনবা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর লিশিং ২ মতেং পাংলগনি হায়না বোর্দ অসিগী চেরোল অমনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

হায়রিবা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর-শিং অসি লাক্কদৌরিবা থা খরা অসিদা য়াম্না মথৌ তাবা মফমশিংদা য়েন্থোক্লনবা খোঙথাংশিং পায়খৎলি হায়রি। মেদিকেল অমসুং হেল্থ ক্যের কম্যুনিটিনা কোভিদ-১৯ লান্থেংননবা লৈবাক অসিদা লৌরিবা থৌদাং অদুবু ইকাই খুম্নবা উৎলি। মখোয়না অশেংবা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংনি হায়খি। লোয়ননা মীয়ামবু লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা মখোয়না লৌখৎপা য়াবা থবক পূম্নমক মাঙজিল থাদুনা লৌখৎলি হায়খি।

বি সী সী আইনা মতম লৈবা খিবিত্তগা মখোয়না পায়খৎপা খোঙথাংশিংগী মনুংদা হেল্থ এন্দ সেফটিদা খ্বাইদগী মাঙজিল থাদুনা লাক্লি। বি সী সী আইগী প্রসিদেন্ট সৌরভ গঙ্গুলিনা ফোঙদোকখিবদা, বোর্দ অসিনা মতেং পাংগদৌরিবা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং অদুনা লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা খূদক্কী ওইবা মতেং পীবা ঙম্লগনি অমদি ফগৎলকপগী চাং অদুসু থুগৎহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, থা অসিদা কোভিদ-১৯গী ২শুবা ৱেভ অসিনা নোংমদা য়ামদ্রবদা মীওই লিশিং ৪ রোম শিহন্দুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ লোইশিনবা ঙমদনা লেপখিবনি।

# কোভিদনা শোকহল্লবা মণিপুর ষ্টেটতা মতেং ওইননবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল শান্নরোয় পোৎশংবম রেনেদিনা য়াম্না কন্না হোৎনরি

ন্যু দেল্লী, মে ২৪ (এজেন্সী):

মমাংদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী মিদফিল্ডদা লম্বা লৈত্রে হায়না লৌনরিবা মণিপুর মচা পোৎশংবম রেনেদিনা হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মহাক্কী পোক্লফম মণিপুরদা থেংনরিবা অৱাবা অসিদা মতেং ওইননবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং ফংহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগা ৱারী শানবা অমদা ফোঙদোরকখ্রে।


মহাক্না ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমদা য়ঙ-য়ঙ লাউনা শান্নরিঙৈ মতমদা মহাক্কী ষ্ট্রাইকরশিং অদুদা মায়োক্লবা টিমগী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা বোল সপ্লাই তৌবদা শুংশোয় শোয়গনদবা শান্নরোয় অমা ওইখি। মহাক্না ইকোন কোনবা ওইনা ইন্দিয়াগী টিমদগী শান্নবা লেপখ্রবা চহী ১০ ফারক্লবা অসিদসু তোঙানবা মওং অমদা মতেং পাংবগী থবক চত্থদুনা লাক্লি।



রেনেদিনা ফোঙদোকখিবদা, মীপূম খূদিংমক্না কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসি মান্ননা থেংনরবসু ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংনা অৱাবা মশক খঙদনা মতেং পাংলিবনি। তাঞ্জা অসিদা মখোয়বু মতেং পীবদা ঐখোয় পূম্নমক চঙশিনবা মতম য়ৌরে হায়খি। তোঙান-তোঙানবা প্রোফেসনদা লৈখ্রবা মরুপ-মপাংশিংনা ওক্সিজেন সিলিন্দর মরাং কাইনা ফংহন্নবগী চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা চাওনা মতেং পাংলক্লি হায়খি। লায়না লাইচৎ অসিনা নোংমদা শিহল্লিবা মীশীং অসি নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিংগী হৌজিক য়েংলুবদা ফীভম য়াম্না শোক্লি। লোয়ননা মণিপুরগী ওইনসু ফজবা দাটা ওইদ্রি হায়রি।

মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা ওক্সিজেন প্লান্ট অহুম অসিনা কোভিদ-১৯ নাহল্লবা মীওইশিংদা মতীক চানা ওক্সিজেন সপ্লাই তৌবা ঙমদ্রি। মহাক্না অতোপ্পশিংগা পূনশিল্লগা চত্থরিবা খোঙজং অসিদা মরু ওইনা শীজিন্নখ্রবা অহাঙবা সিলিন্দরশিং খোমজিনবা অমদি মথৌ তাবা হোস্পিটালশিংদা অথনবা সিলিন্দর পীবগী থবকশিং চত্থরি। নোংমদা চাওরাক্লা ওক্সিজেন সিলিন্দর ১,০০০দগী ১,৫০০ ফাওবা তঙাইফদ্রি। চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা দোনেসন পূম্নমক হাপচিন্দুনা মতেং পাংনবা হোৎনরি হায়খি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 119

**Kestler, Hans Guenther (2395) - Heidrich, Manfred (2225)**
**Bundesliga 8283 Germany, 1982**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.c4 c6 | 2.e4 d5 | 3.exd5 cxd5 | 4.d4 Nf6 |
| 5.Nc3 e6 | 6.Nf3 Be7 | 7.cxd5 Nxd5 | 8.Bb5+ Bd7 |
| 9.Bxd7+ Nxd7 | 10.Nxd5 exd5 | 11.Qb3 Nb6 | 12.O-O O-O |
| 13.Bf4 Bd6 | 14.Bg3 Bxg3 | 15.hxg3 Qd6 | 16.Rac1 Nc4 |
| 17.Rfe1 b5 | 18.Re2 Rfe8 | 19.Rxe8+ Rxe8 | 20.Qxb5 Rb8 |
| 21.Qa4 Rxb2 | 22.Qxa7 h6 | 23.Re1 Qb8 | 24.Qd7 Nd6 |
| 25.Ne5 Rxa2 | 26.Nxf7... | | |

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 118 Ans. :**

**46.** ...Bg3+The black bishop decoys White's king. **47.**Kxg3 Qf4#Dovetail mate
**46.** ...Qc5+ **47.**Kf3 Qd4 **48.**Bc2 Qc3+ **49.**Bd3 Qd4 **50.**Bc2 Qc3+ **51.**Bd3 Qd4
1/2-1/2

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com